# অথৌবা-অথৌবীশিং নীংশিংদুনা থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে

ককচীং, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা অথৌবী ১৮গী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ঈ কৎপা অমসুং উ চারা থাবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে।

ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা রোয়ল ফিটনেস একাদেমি জিম (আর এফ এ) থৌবালনা 'টিয়রস ওফ মাদর কেন্নোট সেভ হার চাইল্ড, বট য়োর ব্লদ কেন' হায়বা থিমদা জুন ১৮ থৌরমগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ঈ কৎপগী কেম্প অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌবাল ৱাংমতাবা শোরোক মখাদা লৈবা আর এফ এ জিমদা পাঙথোকখ্রে।

অর্জুন এৱার্দী ৱাংখেম সন্ধ্যারানী অমদি ট্রান্সজেন্দর অমা য়াওনা জিম অসিগী শান্নরোয় ৩০ না ঈ য়ুনিট ৩০ পীখি। পাঙথোকখিবা কেম্প অদুগা মরী লৈননা আর এফ এ থৌবালগী ফাউন্দর অকোইজম লাশামীনা ফোঙদোরকপদা, শান্নরোয়শিংনা ঈ পীবদা হকচাংদা করিসু শোক্লিংঙাই ওইদে হায়বা পাউজেল অসি পীবগা লোয়ননা অথৌবশিংগী নুমীৎ জুন ১৮ না লাকপদা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা আর এফ এ থৌবালনা অহুল্লক শুবা ওইনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোকপনি। কেম্প অসিবু মায় পাকহনবীরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী দোক্টর অমদি ষ্টাফশিংবুসু অপেনবা ফোঙদোরকখি।

এলাইয়ন্স ফোর দিভলপমেন্ট অল্টর্নেটিভস মণিপুর (অডাম) ককচীংনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী অঙান চীং, ইকো পার্কতা লৈবা হেরিটেজ কমপ্লেক্সতা মণিপুরগী ঙমখৈগীদমক থৱায় কৎখ্রবা ১৮গী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা উ চারাশিং থাখি।

## উ চারা কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) :
কুম্বী নগর পঞ্চায়টকী চ্যেরপর্সন ওইরম্বা ৱাহেংবম য়াইমনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৮গী কাউন্সিল্লর অমদি মেম্বরশিং অমসুং ৱার্দ অসিগী অহল-লমন কয়াগা লোয়ননা সনা খোংনাং মঙা অমসুং অতোপ্পা উ চারা কয়ামরুম নীংশিং উপাল ওইনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অকোয়বা মফমশিং অমদি তুরেল মপান্দা থাখ্রে হায়রি। মহৌশাগী খলদা কায়থরল্লিবা কয়া অসি খরদং ওইরবসু কন্ননবগীদমক উ চারা কয়া থাখিবা অদুগা মরী লৈননা ৱাহেংবম য়াইমনা হায়খি, অকোয়বগী ফীভম ঙাক্তুনা থম্মনবা অমদি মহৌশাগী খল কায়থরকপনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরল্লিবা চৈথেংশিং অসিদগী ঙাকথোক্লনবা হোৎনবদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবগীদমক উ চারা কয়া অসি থাবনি। মীয়াম্মসু ঙসি থারিবা উ চারাশিং অসি নীংথিনা ঙাক শেনবীদুনা মপূং ফানা হৌহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## 'মতেং পাংজগনি'

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস) :
তরানিপানশুবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দে ২০১৯ ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবা-অথৌবী ১৮ গী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা পি ঐচ ঈ দিগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি। পি ঐচ ঈ দিগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা লাকখিবা মীওইশিংদা মীয়ামগী অরাম খৌরাংবা খরদা ওইরবসু কোকহন্ননবা হায়দুনা ঈশিং পীবগী থবক অমদি মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোকপগী দেজদা ফম্লিবশিংগী ঈশিংসু মতেং পাংখি।

লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংনা তুংদা লাক্কদবা লৈবাক্কী অচৌবা থৌরমশিংদসু শরুক য়াজখিগনি। লোয়ননা মীয়ামগী অরাম খৌরাংবা কোক্লনবা ঈশিং ফংহনবগী মতেংসু পাংজগনি হায়না পি ঐচ ঈ দিগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী ফাঙদোরক্লি।

## ওম বীরলানা স্পীকর ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সি):
রাজস্থানগী কোটাদগী মীখলদা মায় পাক্লকখিবা বি জে পিগী এম পি, ওম বীরলানা লোক সভাগী অনৌবা স্পীকর ওইরগনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরসু ওইরিব বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহগা নক্লবা মীওইনি হায়না লৌরিবা ওম বীরলাবু স্পীকরগী মীরেপ ওইনা পুথোকপদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী অয়েৎপা অমত্তা পীরকখিদ্রে। মমাং থাদা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা ওম বীরলানা কোংগ্রেসকী মীরেপ রামনরায়ন মিনাদগী ভোট লাখ ২.৮ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি। ওপোজিসনগী মীরেপ থাগৎলোইদবগী ফিভম লৈবনা ওম বীরলানা লোক সভাগী অনৌবা স্পীকর ওইরগনি হায়না এজেন্সিগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

## সেন্ট্রেল লীদরশিং ইম্ফালদা লাক্তুনা...

লামায় ১গী মখা... মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা মিনিষ্টর অমখক্তনি। দিসিপ্লিন লৈবা অচৌবা পার্টি অমা ওইরিবা বি জে পিগী ওথোরিটি শারগা ঐহাক্না অদু তৌরগনি, অদা তৌরনি হায়খিবা লৈতে।

ৱর্ক্স অমসুং পাৱরগী পোর্টফোলিওশিং লৌথোকখিবগী হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা বাইয়স লৈরম্বা য়াই, লৈরমদবা য়াই। মিনিষ্টরশিংগী পোর্টফোলিও শিন্দোকপা, শিন্দোক্তবা হায়বসিদি চীফ মিনিষ্টরগী খূৎতা লৈ। হন্দক ওভরদ্রাফ্ট তারিবা অসি লাক্লিবা জুন ২১ ফাওবদদি কোকহনবা ঙল্লগনি খল্লি। ওভরদ্রাফ্ট তাবা হায়বসি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদসু অদুম্মক থোকখিবা ঙাক্তনি।

হন্দক ওভরদ্রাফ্ট তাখিবগী মতাংসিদা স্কেম ওইনা পুথোরকপা মতৌ অমা লাকহনখিবা অসিনা মীয়ামদা চমম্নবা পোকহনবগা লোয়ননা পব্লিক ৱর্ক্স অমসুং পাৱর দিপার্টমেন্টতগী শেল হেন্না কাইথোকখি হায়রিবা ৱাফম অসি যূম্ফম য়াওদবনি। অচুম্বা করিনো হায়বদু মতম্না পুরক্কনি। অচুম্বা হায়বসি কৈদৌনুংদা লোৎশিন্দুনা থম্বা য়ারোই। মতম ঙাইমিন্নসি। মতমগী মতুংইন্না অচুম্বা পুরক্কদবনি, ৱায়েল্লক্কদবনি। সেন্ট্রেল লীদরশিং লাক্কনি। মখোয়না ৱায়েল্লবা মতুংদা কনানা চুম্বনো, কনানা লানবনো হায়বদু মীয়াম্না শোয়দনা খঙনরক্কনি।

মিনিষ্টর অসিদগী লৌথোকখিবা পোর্টফোলিওশিং অমুক হন্না পীরক্লবদি লৌগদ্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, লৌথোকখ্রিবা পোর্টফোলিওশিং অসি অমুক হন্না পীরক্লবদি লৌশিনগদ্রা লৌশিল্লোইদ্রা হায়বদু খন্নগনি। হায়রিবা পোর্টফোলিওশিং অসি করিগীদমক লৌথোকখ্রিবনো হায়বগীদমক লান্না উহনবা মানবা অমা লৈরিবসিগী মতাংদসু মমাংদা শেংদোকখ্রে। ওভরদ্রাফ্ট তারিবা অসিদি ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা শেল-থুম নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদবদগী লাকখিবনি। পাৱর অমসুং ৱর্ক্সতগী য়াম্লবা শেনফম কাইথোকখিদুনা ওভরদ্রাফ্ট তাহল্লকপনি হায়বসিদি অরানবা এলিগেসননি। তশেংনা দিপার্টমেন্ট অনী অসিদগী শেল কাইথোকপনা মরম ওইরগা ওভরদ্রাফ্ট তাবনি হায়রবদি ময়েক শেংনা মীয়াম মাংদা পুথোকপীরো। দিপার্টমেন্ট অমগী বজেটরি লিমিট লৈ। বজেটকী শেনফমদগী হেন্না কাইথোকপা য়াবা নত্তে। মসিদি মীপূম খূদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অখঙ-অহৈশিংনসু হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসি য়াম্না নোক্লিংলমগনি। লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না নোক্লখিগদবা থৌওংনি। সেন্ট্রেল লীদরশিং লাক্লগা মতিক চাবা থৌরাং খরা শোয়দনা লৌখৎলক্কনি। মতমদু ফাওবা ঙাইমিন্নসি। হৌখিবা লৈঙাকশিংগী মতমদা লীদর শিনবা শিন্দবগী ৱাফম অসি থোকখিদবা নত্তে। হন্দক থোক্লিবা অসিনা অহানবসু নত্তে। মসিদি কন্টিন্যুয়িং প্রোসেস অমনি। বি জে পি অসি য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা অচৌবা পার্টি অমা ওইবনিনা সেন্ট্রেল লীদরশিংনসু ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সী এ বি চেকশিন্নিংঙাই ওই, লুচিংবশিং...

লামায় ১গী মখা... ঙসি ঙসিমকসু মদুগী ফীভম অদু য়াম্না মাল্লকপা অমা পূক্লিংদা ফাওই। সী এ বি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ইস্যু অসি মৈ হৌবা য়াবা ইস্যু ঙাক্তনি। ষ্টেট অসিদা শেল-থুমগী ফীভম ওভরদ্রাফ্ট তারি। পোৎচৈগী মমল অঙকপা ফংনা ৱাংলি। চেঙ কেজিদা লুপা ৫০ য়ৌশিল্লক্লবনি। লুরবা ফীভম অসিদা পূক্লিং চঙবগী মহুত্তা পোলিটিকেলগী কান্নবা ফংনবা হোৎনবগী মওং অমদা লৈথোকপসিনা খুদোংথিবা ফীভম ওইহল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

চেঙ কেজিদা লুপা ৫০ য়ৌরক্লিবা অসিগী মরম থিদোকপা চঙই। চেঙগী মমল ৱাংখৎলকপা অসিদা মীয়াম হা-কার লাউনরে। লৈঙাকপশিংনা মসিগী মরম পুথোক্লিবা করিগীনো। লৌফম ময়াম অমা লৈশিল্লক্তবদগী পোখোক পুথোকপা ঙল্লক্লিবরা। মীওইবনা খ্বাইদগী মরুওইরিবসি চাখাওনি। চাখাওগী অৱাবা লাক্লবদি মীওইবনা শিবা কিরক্তে। ইস্যু অচৌবা কয়া অসি লৈঙাকপশিংনা অমত্তা ওইনা ফম্মিন্নরগা খন্নবা চুম্মী। মতম অমদা থোকখিবা ৱাথোক অদুগা ঙসিগী ওইরক্লিবা ফীভমসিগা য়াম্না মান্নরকপদৌনা তৌই। লৈঙাক পায়রিবশিংনা ইস্যু অসিদা মায় ওনশিনহন্নিংই। চীংমী-তম্মী ফুরুপ ময়াম অসি কৈদৌঙৈদা কায়নগুমসি। পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি মচেৎ তাসি হায়না পাঙথোকপা নত্তে। ঐখোয় অমত্তা ওইনা হিংমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপা থৌরমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কোর্টনা ইন্দিয়া...

লামায় ১গী মখা... খন্নরবা মতুংদা অয়াবা পীখিবদগী ঙসি চেফোঙ অসিগী লো ওফিসর ওইরিবা ডা. পুনিট জেনগী ষ্টেটমেন্ট কোর্টনা রেকোর্দিং তৌখিবনি। অদুবু মহাক্কী ক্রোস এগজামিসেনগী থবক্তি মথং থাগী ২২ দা পাঙথোক্লবা কোর্টনা লেপখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙগী কুমজা ২০১৮ গী ওক্টোবর ২৫ দা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনা বিরেন লুজেজ থর্দ বেটচ সী এম রেঙ্ক ৱেয়র দি সেলেব্রেসন্স প্রিমেচ্যুর হায়বা হেদ লাইনগী মখাদা ফোটোগা কোন্নবা পাউ অমা ফোঙখিবনি। পাউ অদুনা চীফ মিনিষ্টরগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহল্লি হায়বগা লোয়ননা পাউ অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবনি হায়বগী ওর্দর অমা মমাঙগী কুমজা ২০১৮ গী ওক্টোবর ২৭ তা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) কে ঐচ রঘুমনিনা থোকখিবগা লোয়ননা পব্লিক প্রোজিক্যুটর (দিষ্ট্রিক্ট)তা পাউচে অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৫০০, ৫০১, ৫০২, ৫০৫ (পার্ট-টু), ১২০ বি অমসুং ৩৪ গী মখাদা কোগনাইজেন্স লৌনবগীদমক কেস অমা ফাইল তৌনবা খঙহনখিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না পব্লিক প্রোজিক্যুটর (দিষ্ট্রিক্ট) না পাউচে অসিগী মথক্তা কেস অমা ফাইল তৌরকখিবনি। কোর্টনা কেস অসি লৌখৎখিবগা লোয়ননা ৱায়েল চথবা হৌরক্লগা হৌজিক্না কোর্ট অসিদা ইন-কেমেরাদা কেস অসিগী ৱায়েল মখা তানা চথরক্লিবনি।

## কোর্টনা এক্যুজশিংগী আর্গ্যুমেন্ট...

লামায় ১গী মখা... ৱায়েল চথরকখিবা মতম অদুদা কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরম্বা জজ অদু ট্রান্সফর তৌখিবদগী হৌজিক নৌনা লাকপা জজ অসিগী মমাঙদা তঙাইফদনা কেস অসিগী ৱায়েলগী আর্গ্যুমেন্টকী শরুকশিং অমুক হন্না চথনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। মমাঙদা লেপখিবগী মতুংইন্না ঙসি কোর্ট অসিদা কেস অসি লিষ্ট তৌখি। অদুবু মরুওইবা এক্যুজশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লেটখোসৈ হাওকিপ এলিয়স জেমস কুকি এলিয়স লেটসৈ এলিয়স সৈবোই এলিয়স সৈসৈ এলিয়স জর্জ এলিয়স জেমস এলিয়স কিং, অপোকপা জম্পাও হাওকিপকী মায়কৈদা লেপ্পা কাউন্সেল লাক্তবদগী কোর্টনা কেস অসিগী মখা তানা লৌখৎকদৌরিবা ৱায়েলগী শরুকশিং অদু মথং থাগী ২ দা পাঙথোক্লনবা মতম লেপখি।

পনবা য়াবদি, কিদনেপ্পিং অমসুং মর্দরগী কেস অসিদা মরুওইবা এক্যুজ অমা ওইবদগী জুদিসল কষ্টদিদা অন্দর ট্রাইএল প্রিজনর (য়ু টি পি) ওইনা থম্লকখিবা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) ফেক্সন অমগী লুচিংবসু ওইরিবা খাঙবোক পার্ট থ্রী লম্লোং কৈথেল মনাক্তগী থোকচোম নন্দো এলিয়স ননাও, অপোকপা টি ঐচ সুবোলদি চৎলিবা কুমজা অসিগী মার্চ ২৫ অমসুং ২৬ কী লোন্নবা অহিংদা জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি।

মহাক চেনখিবা থৌদোক্কী মতুংদা কোর্ট অসিনা মঙোন্দা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্টকী নোটিশশিং ইস্যু তৌখি। অদুবু নোটিশশিং অদুগা মরী লৈনবা থবকশিং মরী লৈনরিবা ওথোরিটিনা পাঙথোরকপা ঙমদবদগী কোর্ট অসিনা মহাকপু প্রোক্লেম ওফেন্দরনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবনি। ঙসি কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা মহাকপু প্রোক্লেম ওফেন্দরনি হায়না লাউথোকখিবগী মতাংদা সবমিট তৌরকপা রিপোর্টশিং য়েংখি। মদুগী মতুংদা কেস অসিগী মখা তাবা থবকশিং পাঙথোক্লনবা মতম লেপখিবনি।

বেবি লুংনিলা ইলিজাবেথপু কিদনেপ তৌরগা হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অহানবদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৬৪ এ, ৩৬৮ অমসুং ৪০০ গী মখাদা এফ আই আর নম্বর ১৮১(১১)২০০৩ রেজিষ্টর তৌদুনা কেস লৌখৎখিবনি। কেস অদু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী সেস্পল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) না থিগৎলবা মতুংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা অমুক শিন্নখিবনি। কোর্ট অসিদা চথরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা সী বি আইগী মায়কৈদা সিনিয়র এদভোকেট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্মানা লেপ্লিবনি।

# চুড়াচান্দপুরগী সাতু পার্কতা পিক্নিক লাকপা ১ লুপখিবদগী থিবা ফংদ্রি

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): চুড়াচান্দপুরগী সাতু পার্কতা পিক্নিক লাকপা নুপা অমা ঈশিংদা লুপখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরি। ঙসি নুংথিল পুং ৪ রেম তাবদা সাতু পার্কতা ঈশিংদা লুপখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা নুপা অদুগী মমিং মৈস্নাম রোবিন্দ্রো (৩৫) কৌই। মহাক বিষ্ণুপুরগী চিংদোং লৈকায়দা লৈবনি। মহাক মমান্নবা খরগা মফম অদুদা পিক্নিক লাকপদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মফম অদুদা চুড়াচান্দপুর পুলিস, ফায়র সার্ভিসনা চঙশিন্দুনা থি-হুন্বা চথবদা হকচাং অদু ফংবা ঙমদ্রি। মখা তানা ইম্ফালদগী নেসনল দিজাষ্টরগী টিম অমসু মফমদুদা চৎতুনা ঈশিংদা লুপখিবা অদু থিনবা থৌরাং তৌরি। নীংশিংবা য়াবদি চহী অসিগী মেগী অহানবা চয়োলদসু চদোংগী রমরৈদা মচিন-মনাও অনী য়াওনা মীওই অহুম ঈশিংদা লুপখিবদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংবা লৈখ্রবনি।

## য়ু এফ ওগী হেদ ক্বার্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):
য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী থৌমীশিংনা মালেমগী ৱাথোক-লাম্থোক খুদিংমক ৱারোইশিন পুরক্তুনা লাল লৈতবা মালেম অমগীদমক লূপলোই এন শ্যামজাইগী নুঙ্গৈই ময়াই লৈকায়গী ইংখোল, চাইকোইনুংদা লূপ অসিগী নোর্থ ইষ্ট দিভিজন কোর হেদ ক্বার্টর নম্বর থ্রী হাংদোকখ্রে হায়না সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কবিচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা ৱাই নিপামচা, ৱার্দ মেম্বর তবাবী, খুন্নাই তেংবাংলোয় ঐচ পলান্দোনা মথংশিংনা থৌরম মপু, অথোইবা মীথুং অমসুং লেংবীরকপা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। মীপুন লূপতিন মশা লোয়শঙ হাংদোকপা অমদি মালেম লৈকোয়পুংগী থৱায় য়াইবীরেল শিদবগী পজেং ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা লূপ অসিগী থৌবুরেলনা হয়ি চক্কী চিংখৈ হুনখ্রবা মতুং মীয়ামদা তাইবং মপুগী য়াৱা পাউদম শনে দাকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কে ৱাই কে এলগী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):
অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হুইকপতা ঙসি নুংথিল অন্দ্রো পুলিস অমদি ৬ শুবা অসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ুম অমদা থি-হুন্বা চথবদা কে ৱাই কে এলগী কাদরনি চিংনবা মীওই অমা ফারে।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা নুপা অদুগী মমিং নোংথোম্বম রোসোন্তা এলিয়স তোংবা (৩৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন পদ্মা কৌই। মহাক হুইকপ অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দ সেদ অমা, সিম কার্দ অনী ফংলে হায়রি।

# অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):
অহানবা ওইনা থোংজু লোকল দিভলপমেন্ট সোসাইটি, থোংজু মাইবী লম্পাক্না শীন্দুনা ঙরাং ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ এগজামদা মায় পাক্তুনা মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয় ১৪ দা ক্লব অসিনা মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

অমরোমদা লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপ মশা তেন্থানা হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভকী এগজামদা তেন্থাগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা মহৈরোয় অমদি তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয়শিংদা মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

## কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস): অসাম রাইফলস বট্টালিয়ন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগা পুন্না চথবা ওপরেসন্দা পি এল এগী সেকেন্দ লেফটনেন্ট লাইশ্রম প্রিয়োকুমার এলিয়স ইবোমচা এলিয়স অমুথোই কৌবা মীওই অমা ফারে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মীওই অদু থা অসিগী ১২ দা ইম্ফালদগী ফাবনি। মহাক মরিশুবা এ আরদা এন্নুশ তৌবদা চেন্নবা মীওইনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা নাইন সেক্তর এ আরগী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না য়াইঙংপোকপী কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে। মীট অদুদা লমদম অদোমগী মীওই কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

## ইম্ফাল স্মার্ট সিটি প্রোজেক্টকী...

লামায় ১গী মখা... এজেন্সিশিংনা আই এল এন্দ এফ এস গ্রুপকী মথক্তা থিগৎখিবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফ্যেরসনা গ্রুপ অসিগী হান্না দিরেক্টর ওইরম্বা মীওই কয়াগী বেঙ্ক একাউন্টশিং ফাজিন্নবা থৌরাংসু লৌখৎলে হায়রি।

সিক্যুরিটিজ এক্সচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা জন্যুৱারি ৯ দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না কম্পনি অসি কেস খরদা চৈন্নে হায়বা খঙবা ঙমখি। নমথাক তৌবগী থৌদোক কয়াদা চৈন্নে হায়রিবা কম্পনি অমদা স্মার্ট সিটি প্রোজেক্ট পায়খৎহনবা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং ওইগনি। চহী অহুমগী মনুংদা লোইশিনগদবা প্রোজেক্ট অসি মতম চানা লোইশিনবদি লায়রদনা তম্বা ঙমদবা ফিভম অমা মায়োক্লহল্লকপা য়াই হায়নসু পাউগী লীখুন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, অরানবা থৌওং কয়া চথুদুনা কম্পনিগী মীংচৎ থিহল্লে হায়বগীদমক হৌখিবা এপ্রিল ১ দা সিরিয়স ফ্রোদ ইনভেষ্টিগেসন ওফিসনা আই এল এন্দ এফ এসকী ভাইস চ্যেরমেন ওইরম্বা শঙ্করন কৌবা মীওই অমা মুম্বাইদগী ফাবা লৈখ্রবনি। অরানবা মওংদা লোন পীথোকখিদুনা কম্পনিগী মাঙনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বগীদমক শঙ্করনবু স্পেসল কোর্ট অমদা পুথোক্লগা এপ্রিল ৪ ফাওবা রিমান্দ লৌখিবনি। কম্পনি অসিনা হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদগী পুরুবা লুপা ক্রোর ১৭,০০০ গী শেনফম হৌজিক ফাওবা শীংবা ঙমদ্রি হায়রি।

# ঙমখৈ ঙাকপদা থৱায় কৎখ্রবশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা...

লামায় ১গী মখা... শরুক য়ারদুনা ১৮শুবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন পি ঐচ দেবান শর্মানা হায়খি, তুংগী মীরোলগী খল্লগা ঐখোয় পুনশিন্নবা তঙাইফদে, কাঙলুপ অমখক্কী ওইবা ৱাখল খল্লবদি থাজনদবা থৌওংশিং লাক্কনি। মণিপুরগী চীংমী-তম্মীগী মরক্তা মচিন-মনাওগী ওইবা মরী অদু কায়নদনবা পুনশিনবা মথৌ তাই। ঐখোয়না পুনশিল্লগা অমত্তা ওইনা লেপ্পবদি মালেমগী মীয়াম পুম্নমক্না লেপখ্রবসু ঐখোয়বু লাকচবা ঙল্লোই। পুনশিনবদা য়ুম্ফম ওইরগা মায়োক্ল রবদি খুদিংমক থেংনবা ঙমগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ম্যান্মার, বাংলাদেশ, ত্রিপুরা, অসামদা চোইজাইননা তাখ্রবা ইচিল-ইনাওশিং পুনশিল্লগা ঙসি অথৌবা-অথৌবীশিংনা য়াতারিবা মফম অসিদা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লি। কেক্রুপাৎ অসি মীয়াম অপূনবগী ওইবা মফম অমা ওইরে। মফম অসি কংলাগী ওইরগসু মখারোম থংবা শরুক্তি নুমীৎ খুদিংগী নাপী কক্তুনা শিৎ-শেংবা তৌই। অথৌবা-অথৌবী ১৮ না য়াতাখিবা কেক্রুপাৎ অসিদি জুন ১৮ হেক লোইখিবগা মোংশোং ওল্লগনি। কেক্রুপাৎতা চঙবা য়াবগী ছো অদু ঐখোয়গী খুৎতা শীন্নদে। কংলা ফোর্ট বোর্দকী অয়াবা লৌরগা মফম অসি চঙদুনা শিৎ-শেংবা তৌই। তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মফম অসি শিৎ-শেংবা তৌরগা থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি। কেক্রুপাৎ শেমগৎ-শাগৎতুনা হেন্না মশক থোকপা মফম অমা ওইনবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা মথংগী ওল্লকপা থৌরমদা হেন্না নুংঙাইনা শিনবা য়ানবা হোৎনবীয়ু। অহল ওইরবা কয়ানসু কেক্রুপাৎতা লাক্লগা হৌখ্রবা পুন্সিগী ৱারী কয়া লীনফম ওইহন্নিংই। অহল ওইরবশিংগী মফম অমা ওইহন্নবা লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। মফম অসিদা উ-চারা কয়াসু থাখ্রে। উ-চারা কয়া অমসু থাদুনা ইশাগী মিং থেৎপীয়ু। তুংগী মীরোলশিংনসু খঙহৌগনি। মফম অসিদা উ-চারা লিশিংগী মথক্তা থাখ্রে। থাংজ খুদিংগী ঈশিং চাইদুনা অমদি মখোঙ শোমদুনা হিংহন্নবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কাঙলুপ নাইবগী ৱাখল থাদোক্ল বা মতম ওইরে। নাগানা নাগাগী, কুকিনা কুকিগী, মৈতৈনা মৈতৈগী থৌরম তৌরিবশিং অসি ময়াম পুল্লগা অপূনবগী ওইবা পোলিসী প্রোগ্রাম অমদা চৎমিন্ননবা শেম-শামিন্নসি। পিছ টোক তৌরিবশিংনসু ৱারোইশিন পুবীরকউ। ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী ইন্টরেষ্ট কায়হল্লোইদবা, অপূনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈদা অকায়বা পীরোইদবনি। কাঙলুপকী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা হিংমিন্নসি। মমাঙদা য়ু এন সীনচিংবনা নুমীৎ অসি হেক য়ৌরকপদা বন্দ, ব্লোকেদ তৌদুনা মিস অন্দরষ্টেন্দিং থোরকপা য়াবগী ফীভম লৈখি। হন্দক্তি অসিগুম্বা থৌওং চৎথরক্তে। মসিগীদমক য়ু এন সীবু থাগৎপা ফোঙদোকক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন সুনিল করামনা ফোঙদোকখিবদা, ঙমখৈগীদমক লৈখিদ্রবা ১৮ না পামজরম্বশিং অদু ঐখোয়না থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নবগীদমক ২০২০ গী জুন ১৮ মমাঙদা ৱারেপ লৌবা তারি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্ল বগীদমক জুন ১৮ অসি অসুক্কী মতিক মরুওই। ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা অথৌবা-অথৌবী ১৮ গী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলিবনি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমুক্না হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনফম থোকই। ঙমখৈগী ময়ি হৌজিক ফাওবা ঙাক্লি। থম্মোয়গী ময়িদি কায়রে। মণিপুর কন্নবা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা তাই। য়েলহৌমী কন্নবা ঐখোয় মী কয়া শিখো হায়বনো, মেমোরেন্দম কয়া পীখো হায়বনো। ঙমখৈগীদমক মীওই কয়া শিরগে হায়না পরেংদা লৈরি। দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসী তৌবীগনু। মণিপুরগী লম শম্না মফে অমফাওবা কায়বা য়ারোই। চপ চানা থেংনগনি। কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুর মীয়াম ঈ-নাই তাদনা নোংমৈ অমফাওবা কাপ্তুনা মণিপুরগী নিংথৌ কৌরগা নমদুনা লমদম অসি লৌশিনখিবনি। ফুরুপ অমগা ফুরুপ অমগীদমক খল কায়বা য়াবা থবক তৌবা য়ারোই। য়েলহৌমী ফুরুপ মুখৎনবা সী এ বিগুম্বা মখল অমত্তা মণিপুরগী লৈমায়দা পুশিল্লকপা য়ারোই। মেনপেকনসু চঙশিন্দুনা লাক্লি। চহী ৭০ রোম ইন্দিয়াদা তীল্লে। মীওই ১৮ য়াতাখিবা অসিগী লম্মন শিংদ্রি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগায়নবা হোৎনরকপা মতমদা মীয়াম পুন্না লেপমিন্নরবদি লৈখিদ্রবশিংগী লম্মন শিংবা শক্কনি। ঐখোয়গী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লা থম্বসি লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবা ১৮ গী থম্মোয়না হরাওগনি। অরোইবা ঈহৌ অমা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কুকি ইনপিগী প্রসিদেন্ট খাইমাং চোংলোইনা ফোঙদোকখিবদা, চীংমী-তম্মী খায়দনা পুল্লগা মণিপুরদা কনাগুম্বগী ফত্তবা পোলিসীশিং ঙাকমিন্নগদবনি। মণিপুরদা সোসল ইন্টিগ্রেসন য়াম্না তঙাইফদে। কুকি-নাগা, মৈতৈ-পাঙল লোইনমক লৈমিন্নরকপনি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা মতম ওইরে। নাগা হোহোনা মণিপুরগী জিওগ্রাফিকেল এরিয়াগী চাদা ৫০ নাগাগী লমনি হায়বসি কৈদৌঙৈদা য়ারোই। ওইসু ওইগদবা নত্তে। সী এ বি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনচিংবগী পূক্লিং লাংতক্ল রিঙৈদা লৈঙাকপশিংগী মরক্তা পৱার মুন্নবগী ঈৱাং থোক্লি। দিল্লিদা পৱার মুন্নদুনা লৈরিঙৈদা ষ্টেট অসি ওভরদ্রাফ্টকী অৱাবা মায়োক্লরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশতগী লাকখিবা চাওবা মেমোরিএল ইন্টিলেকচ্যুয়লগী দিরেক্টর হামোম তমু বাবুনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৮৬ তগী বিষ্ণুপ্যাগা ঐখোয়গা থৌরম চৎনদে। হৌজিকসু অমত্তা পুন্দে। মখোয়সি মণিপুরী নত্তে হায়না লৌই। অদুবু চপ চাবা দিসিজন পুরকপা ঙমদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুথ কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি সোরোখাইবম বিমোলনা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনবা মথৌ তারে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট আর টি অখেল আইমোলনা ঐখোয়গী মাঙদা লৈরিবা ইস্যুশিং পুন্না মায়োকমিন্নসি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটি কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর পিপলস বিল হৌজিক ফাওবা এসেন্ট পীদ্রি। বোর্দর পিল্লরগী ৱাথোক, ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফম কয়া অমসু লৈরিবনি। লুরবা তাঞ্জা অসিদা লৈঙাক্লোন মশেলগী মরক্তা অমনা অমা চিংথনবগী ৱাখল্লোন খন্দুনা লৈবসি লাইবক থীবনি। য়েলহৌমীশিংগী অয়াবা য়াওদনা সী এ বি পাস তৌরকপা তারবদি মণিপুর মীয়াম্না চপ চানা লেপমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কোম য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট গাইকম কোম, হাওমি রিছার্স গিল্ড মণিপুরগী চ্যেরমেন রোবিন সিংলাই তাংখুল, এম এম দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট অব্দুল ফুদ্রৈমযুম, পুরুম কলচরেল ট্রুপ এন্দ লিটরেচর কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মোংসোকাম বাপুই, হেরিকোনগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাই সঞ্জিৎ কুমার, লিপুনগী প্রসিদেন্ট সোমেন্দ্রো থোকচোম, অমকিলগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখি, পোইরৈ লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিক লৈমা, য়ু সী এমগী কন্সল্টেটিব কম্মিটি মেম্বর আর কে রনেন্দ্রজিৎ, ঐচ ইবোতোম্বী খুমন, অমুকোগী এদভাইজর এন সী খুমন, জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈ অমদি অসামদগী লাকখিবা লুচিংবা কয়াসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অথৌবা-অথৌবীশিংগী খূভমদা চীফ মিনিষ্টরগী লোয়নবী নোংথোম্বম ওংবী হিয়াইনু, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, এম এল এ সুসিন্দ্রো, এক্স-এম এল এ, ডা. এন জি বিজয়, এম এল এ বিরা অমদি এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎসু লাক্তুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

## GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto : 24/05/2019
Valid From : 16/05/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing:06.30am to 10.00am

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:29/05/2019
Valid From:19/05/2019
Stk 14kg : 918
5&19 Kg. Available
Timing :08.00am to 11.30am
(First Come First Serve)

HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE
Booking Upto: 29/05/2019
Valid From: 25/05/2019
Stk : 540
(Aadhaar Link Consumers Only)

HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking Upto: 17/05/2019
Valid From: 10/05/2019
Stk : 306
Timing:07.30am to 11.30am

K&K INDANE SERVICE
Booking Uptodate
Stk : 306
Timing: 07.30am to 11.00am
(First Come First serve)

KHORIPHABA (NAMBOL)
Booking Upto:08/06/2019
Valid From:02/06/2019
Stk : 500
Timing :07.00am to 10.00am

KHONGNANG GAS (BISHNUPUR)
Booking Upto:27/05/2019
Valid From:24/05/2019
Stk : 306
Timing :07.30am to 10.00am

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Sl.No. Upto - 63000
Booking Upto: 09/06/2019
Valid From: 20/05/2019
Stk : 918
Timing:07.30am to 10.30am

MAHALAKSMI INDANE
Sl. No. Upto - 261062
Booking Upto:12/06/2019
Valid From: 07/06/2019
Stk : 306
Timing:06.30am to 10.30am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL. No. 9701 - 2075
Booking Upto: 17/05/2019
Valid From: 09/05/2019
Stk : 918
Timing:7.00am to 11.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Uptodate
Stk : 306
Timing:7.30am to 09.30am
(First Come First Serve)

MISAO GAS SERVICE
19 Kg. Commercial Available
Booking Uptodate
Stk : 612
Timing:07.00am to 11.00am
(First Come First Serve)

RBD INDANE
Booking Upto: 22/05/2019
Valid From:07/05/2019
Stk : 612 (CTC Only)
Timing: 06.30am to 10.30am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto: 15/06/2019
Valid From: 08/06/2019
Stk : 612
Timing:07.00am to 10.00am

HIYANGTHANG INDANE
Sl. No. Upto - 370
Booking Upto:15/05/2019
Valid From:10/05/2019
Stk : 612
Timing:07.00am to 10.00am

IMPHAL LPG SERVICE
Booking Uptodate
14.2 Kg. Stk : 373
5&19Kg Available
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.00am Onwards
(First come First Serve)
No Booking Required
Avail Online Booking,
Payment & Home Delivery

PMKVY
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation
FREE
3rd Phase
3 months certificate course in Self Employed Tailor
Under the Sponsorship of Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana (PMKVY)
in collaboration with SKILL INDIA & NSDC.
Admissions Open
Highlight of the Course
* Regular classes theory with practical
* Fabric cutting, stitching etc
* Pattern making
* Post placement support
* Incentive in every successfull candidates
* Many more offers
Class Will be commence from 4th july, 2019
More details, Contact,
Manipur Welfare Organisation
Training Centre ( TC040988)
Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal,
Near Royal Academy of Science, Imphal -East.
Contact No. 9774723147/ 9774328353
Email: shotingotimayum@gmail.com
tamsharma09@gmail.com
Limited Seat capacity, Registration Open. Last Date of form submission 27th June, 2019
HL-P/4321/14-23

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
Regular Medical Ent. Coaching for
NEET (UG)-2019-20
Limited Seats Available
for
Free-studentship based on
NEET (UG)-2019 High Mark Scorers
☞ NEET 2019 overall state rank within 230 (Gen & OBC).
☞ NEET 2019 overall state rank within 90 (ST).
☞ SC NEET 2019 overall state rank within 10.
☞ Higher mark scorer for fresher in NEET-UG 2019.
For details plz. contact COMET office, Kelshamthong Top Leirak Maning ,Airport Road Imphal
HL-B/5490/17,18,19